# অলেপ্পোগী মনাক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা সিরিয়ন আর্মি চঙশিনখ্রে



বৈরুট, ফেব্রুৱারী ২৬ :
সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিং থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিল্লিবা এরিয়াশিংদা খঙহৌদনা চঙশিনখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিৎতা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা আই এসকী মখুৎতগী অল-বাব সিটি কন্ত্রোল তৌশিনখিবদগী জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুনা হন্দোকখিবগা সিরিয়ন লান্মী অমসুং মীচংশিংনা এরিয়াশিংদুদা চঙশিনখিবনি হায়রি।

নোংপোক পাংনা অল-বাবকী খা থংবদা লৈবা এরিয়া অমদা চঙশিনখিবদগী সিরিয়ন আর্মিনা ভিলেজ মরি কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয় লেক অশাদকী কিলোমিটর ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈখ্রে হায়রি। লেক অশাদ অসি টবকা দামগী মথক্তা লৈবা য়ুফ্রেটিসকী রিজার্ভর অমনি।

হন্দক থা খরসিদা তোঙান-তোঙানবা রাইভল ফোর্সশিংনা থংননা চঙশিন্দুনা এটেকশিং চথুবদগী অৱাং নোংচুপ সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটনা কন্ত্রোল তৌবা লমগী শরুকশিং শিংথানিঙাই ওইনা পীকশিনখ্রে। ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা থোমজিনখিবা রাইভেল ফোর্সশিংদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎপা সিরিয়ন কর্দিশ গ্রুপশিং, টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিং অমসুং সিরিয়ন আর্মিনি।

অল-বাবকী খা থংবদা লৈবা লম লৌশিন্দুনা আর্মিনা টর্কি অমসুং রেবেল গ্রুপশিংবু খা পাংনা চঙশিনবা ঙমহন্দবগা লোয়ননা হৌজিক আর্মিনা অলেপ্পোগী ৱাটর সপ্লাইজ অমুক হন্না কন্ত্রোল তৌনবা চঙশিনখ্রে।

আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিং মখা তানা চঙশিনবগা লোয়ননা এরিয়া অদুদা মখা তানা লাল শোক্নরি হায়না বৃটেনদা বেজ তৌবা ৱার মোনিটর অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল কয়ামুক ষ্ট্রীট ফাইটিং চথুরকখিবা তুংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতগী অল-বাব মুনখিবা হায়বসি গ্রুপ অসি সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তগী মপুং ফানা তকথোকখ্রবনি হায়না লৌনৈ। মফমদু গ্রুপ অসিগী খ্বাইদগী কিনিঙাই ওইরবা ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং টর্কিশ বোর্দরদা লৈবা মরম্না মরু ওইবা এরিয়া অমনি হায়না লৌনৈ।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সশিং, কর্দিশনা লুচিংবা এলাইয়ন্সনা লেপ্পুনা লাঞ্জং চঙশিনখিবদগী হৌখিবা চহীগী ময়ায় চল্লকপদা ইস্লামিক ষ্টেট অসি ফ্রন্টিয়রগী অয়াম্বা শরুক্তগী তকথোকখ্রবনি অমসুং মদুদগী হৌনা রাক্কাদা লৈবা গ্রুপ অসিগী ষ্ট্রোংহোল্ডনা অকিবা পোকহনখ্রবনি হায়রি।

টর্কিনা ফ্রী সিরিয়ন আর্মি বেন্নরগী মখাদা লাল শোক্নরিবা রেবেল গ্রুপশিংবু শৌগৎলদুনা য়ুফ্রেটিস সিল্ড কেম্প্যেনগী খুত্থাংদা সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা য়াওশিল্লিবদু ইস্লামিক ষ্টেটপু বোর্দরদগী তকথোক্নবা অমসুং মফমদুদা কর্দিশশিংনা পাকথোক চাউথোরকপা লেপহন্নবগী পান্দমদনি।

## জর্মনিদা মীরক্তা কার থৌজিনবদগী মীওই ১ শিখ্রে

হাইদলবর্গ, ফেব্রুৱারী ২৬ :
জর্মনিগী সাউথৱেষ্টর্ন টাউন হাইদলবর্গতা লৈবা বেকরি অমগী মনাক্তা লেপ্পুনা লৈবা মীয়াম মরক্তা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা জর্মন নুপা অমনা কার থৌজিনবদগী মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক-অপন নংখ্রে, তৌইগুম্বসুং মদু টেররিষ্ট এটেক অমা ওইবা য়াবগী ঈঙ্গিৎতি ফংদে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কারনা থোম্বদগী শোক্তুনা শিখিবা মশাগী চহী ৭৩ শুরবা মীওই অদুসু জর্মন অমনি। অতৈ অশোকপা মীওই অনী - অমনা মশাগী চহী ৩২ শুরবা ওষ্ট্রিয়ন অমা অমসুং বোসনিয়া অমসুং হর্সিগোভিনাদগী মশাগী চহী ২৯ শুরবী নুপী অদুসু হোস্পিটালদা লায়কন্নখি তৌইগুম্বসুং মখোয় তুংদা দিসচার্জ তৌখি হায়না পুলিস অমসুং প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌদোক অদুদা টেররিষ্টকী মোটিভ য়াওবগী খুদমশিং লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ইরাকি ফোর্সশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা অকনবা রেজিষ্টেন্স পীখ্রে



মোসুল, ফেব্রুৱারী ২৬ :
ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা পীরকখিবা অকনবা রেজিষ্টেন্স মরক্তা ইরাকি ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎতা মোসুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মখা তানা চঙশিনখ্রে হায়না লানফমদা লৈবা মিলিটরি কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পেসল ফোর্সেসকী লেফটিনেন্ট জেনরেল অব্দুল-ৱাহব অল -সাফিনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী ক্রুপশিংনা কার বোমশিং, স্নাইপরশিং অমসুং আর্মদ দ্রোন দজন কয়াগা লোয়ননা রেস্পোন্দ তৌরি। কনফ্লিক্টকী জোনদুদগী মীচম চা কয়া চেন্নখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

আই এসকী দ্রোনশিংনা মী শিহনবগী চাং য়াম্না নেমই, তৌইগুম্বসুং লাইট ইঞ্জুরি কয়া থোকহন্দুনা গ্রাউন্দ ওপরেসনশিংগী খোঙজেলদা অকায়বা থোকহনখি।

অল-সাফিনা হায়খি, ইরাকি ফোর্সশিংনা মোসুলগী খা নোংচুপ চিদাইগী লম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমুক হন্না লৌশিল্লবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী খোঙজং থুজিল্লগনি হায়না মহাক্না থাজৈ। মফমদু নৌনা কন্ত্রোল তৌবনা মখোয়গী সপ্লাই লাইনশিং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ফোর্সশিংগা লায়না শম্নবা য়াহল্লগনি।

মোসুলগী খারোমদা লৈবা অপীকপা ভিলেজ অমগী চিদাইদা ইমুং দজন কয়ানা সিন্দরব্লোক ৱাল অমগী মনাক্তা তাশিল্লগা লৈখি। মখোয়গী মরক্তগী মীওই কয়ানা মখোয় মোসুলগী মপানদা লৈবা ভিলেজশিংদগী লাকপনি অমসুং থা মরি হেনবগী মমাঙদা হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইহন্দুনা মখোয়বু সিটি অদুদা নমদুনা পুশিনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। 'ঐখোয় মতম শাংনা কিনিঙাই ওইরবা ফীভম কয়া মায়োক্নন্দুনা লৈরকখি' হায়না মোসুলগী স্কুল অমদা নমদুনা থা অহম লৈহল্লকখিবা জুরি ফাথি কৌবা অঙাং তরুক্কী মমা অমনা হায়খি।

'মৈ খরা ফংনবগীদমক্তা ঐহাক্না ঐগী অঙাংশিংগী মফি-মরোলশিং মৈ থাখি।'

আই এসকী সসপেক্টশিংগী দেটাবেজ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নুপা গ্রুপ অমা স্ক্রনিং তৌখি অমসুং লানফা অনী মীয়াম মাঙদুদা চিংদুনা মী লৈনদ্রবা বিল্ডিং অমদা পুশিনখি। 'ঐখোয়না মখোয় মোসুল মনুংদগী পুরক্লিবনি' হায়না ইরাকি মোসুল ফোর্সশিংগী লান্মী অমনা দিটেনিশিংদুবু পুরকখিবা হমভী মনুংদগী হায়খি। 'মখোয়না ঐখোয়দা নোংমৈ কাপ্লকখি, মদু ঐহাক্কী মিৎমক্না উখি' হায়না লান্মী অদুনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা ওক্টোবরদা মোসুলবু নৌনা লৌশিন্নবগী ওপরেসন হৌখিবা মতুং জান্যুৱারীদা সিটিদুগী নোংপোক থংবা শরুক মপুং ফানা লিবরেট তৌরে হায়না ইরাকি ফোর্সশিংনা লাউথোকখি।

## কির্গিজষ্টানগী ওপোজিসন লীদর করপসনগী চার্জশিংদা ফাখ্রে

বিসকেক, ফেব্রুৱারী ২৬ :
সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক কির্গিজষ্টানদা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রেসিদেন্সিয়ল মীখলগী মাঙওইননা পোলিটিকেল টেন্সনশিং হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা লৈবাক অসিগী ভেটরান ওপোজিসন লীদর অমা করপসনগী চার্জশিংদা ফারে হায়না সিক্যুরিটি সার্ভিসশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা প্রেসিদেন্ট অলমাজবেক অতম্বায়েভকী পোলিটিকেলগী অচৌবা য়েক্নবা অমা ওইরিবা ওপোজিসন লীদর অদু মরু ওইবা টেলিকোমস কম্পেনি' অমদা করপসন তৌখিবগী মতাংদা চথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা পুং ৪৮ ফাজিন্দুনা থমগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

হান্নগী সোভিয়েট কির্গিজষ্টান অসি মতম শাংনা ষ্ট্রোংমেনশিংনা কন্না দোমিনেট তৌবা লমদম অমদা খ্বাইদগী দেমোক্রেটিক ওইবা লৈবাকনি। লৈবাক অসি হন্দক মতম খরসিদা পোলিটিকেলগী ঈরাংসু কনখি।

লৈবাক অসিদা রিভোল্যুসন অনী থোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০০৫ অমসুং ২০১০ দা প্রেসিদেন্ট অনী মখোয়গী মফমদগী চিংথুখি। মদুগী মতুংদা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাংদা মীওই ৪০০ হেন্না শিখ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা অমগা অমগা মরী লৈনদবা করপসনগী কেসশিংদা মহাক্কী পার্টিগী কোলিগ অনী মথংশিংনা পুং মরি অমসুং মাপনলোম চূপ্না ৱাহং-পাউহং তৌখিবা মতুংদা টেকেবায়েভপু ফাখিবনি।

প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ঈথিলদা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্নবগীদমক্তা হৌখিবা দিসেম্বরদা লাকখিবা রেফরেন্দম অমা অতা-মেকেন পার্টিনা কন্না ওপোজ তৌখি।

লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না অতম্বায়েভপু প্রসিদেন্ট ওইন চহী তরুক্কী টার্ম অমদগী হেন্না পায়বা য়াহন্দে অমসুং মহাক্না মহাক প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস তান্ননিংবগী ৱাখলদি লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। হন্দক্তা কন্সটিট্যুসনদা অহোংবা খরা পুরক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পৱার খরসু হেনগৎহনখ্রবনি হায়রি।

মশাগী চহী ৫৮ শুরবা টেকেয়েভনা হন্দক্তা অতম্বায়েভপু ইম্পিচ তৌনবা আপিল তৌখি অমসুং ওথোরিটিশিংদা প্রসিদেন্ট অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মেম্বরশিংবু করপসনগা মরী লৈননা য়েংশিন্নবা দিমান্দ তৌখি। অতা-মেকেনগী লীদর অসিনা হৌজিক ফাওবদি নভেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্নবা লেপখ্রবা প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা মীরেপ ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

## হ্বাইট হাউসকী করেস্পোন্দেন্টশিংগী দিন্নরদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প শরুক য়ারোই হায়খ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২৬ :
চহী অসিগী হ্বাইট হাউসকী করেস্পোন্দেন্টশিংগী দিন্নরদা মহাক্না শরুক য়ারোই হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লাউথোকখ্রে। হ্বাইট হাউস অমসুং মিদিয়াগী মরক্তা তাথিনবা হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা ত্রম্পনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

ত্রম্পনা মহাক্কী ৱারেপ অদু থাংজগী নুংথিলদা ত্বীটরদা ফোঙদোকখিবনি। দিন্নর অদু এপ্রিল ২৯ দা পাঙথোক্কদবনি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা ত্রম্পনা 'চহী অসিগী হ্বাইট হাউসকী করেস্পোন্দেন্টশিংগী ওইবা এসোসিএসনগী দিন্নরদা মহাক য়াওররোই, নুমিদাংদু পুম্নমক্না নুংঙাইবীয়ু' হায়খি।

ত্রম্পনা ত্বীটরদা ৱারোলদু ফোঙদোকখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা চহীগী ইভেন্ট অদুবু স্পোন্সর তৌরিবা হ্বাইট হাউস করেস্পোন্দেন্টস' এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা ঈমেল অমদা হায়খি মদুদি, ত্রম্পনা শরুক য়াদ্রবসু দিন্নর অদু কায়দনা পাঙথোক্কনি।

'হেল্দি দিমোক্রেসি অমদা নিংতম্লবা ন্যুজ মিদিয়া অমনা লৌরকখিবা মরু ওইবা থৌদাং অমসুং অহানবা এমেন্দমেন্টগী সেলেব্রেসন অমা ওইনা চহী খুদিংগী দিন্নর পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমসুং মখা তানা পাঙথোকখিগনি' হায়না দব্লিয়ু ঐচ সি এগী প্রসিদেন্ট জেফ মেসননা হায়খি।

'দিন্নর অদুদা ঐখোয়না হৌখিবা চহী অসিদা উখিবা খ্বাইদগী ফবা পোলিটিকেল জর্নেলিজম খরদা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী প্রোফেসনদা মথংগী জেনেরেসনবু রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মহৈরোয়শিংবু মশক খঙবদা মিৎয়েং থমগনি' হায়না মেসননা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী প্রেসকা মহাক্না লৈনবা মরী শোকচিল্লকপা হেল্লকখিবগা লোয়ননা চহীগী ইভেন্ট অদু বোইকোট তৌনবা তকশিনবসু হেল্লকখি। মহাক্কী কেম্পেন অপুম্বদা ত্রম্পনা প্রেসপু চৈ-থাংখি অমসুং ন্যুজ আউটলেটশিংবু মবূকচেল শেংদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না ৱাশিংটন পোষ্টপু মহাক্কী কেম্প্যেনগী ইভেন্টশিংদা পাউ লৌবা ফাওবা থিংখি। মহাক্না মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা মিদিয়া আউটলেট খরবু শেমজিন-শাজিনবা পাউশিং ফোঙই হায়না মরাল শীখি। থা অসিগী অঙনবদা ত্রম্পনা মিদিয়াবু অমেরিকান মীয়ামগী য়েক্নবনি হায়না ফোঙদোক্তুনা মহাক্না মিদিয়াগা লৈনবা মরী খম থেংনা শোকচিনখি।

ওইরক্লিবা ফীভমদুদা হ্বাইট হাউস করেস্পোন্দেন্টস'এসোসিএসননা থা অসিগী অঙনবদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা দিন্নর অদু হান্নগুম্না কায়দনা পাঙথোক্কনি হায়খি। ভানিটি ফেয়র, দ ন্যু য়োর্কর অমসুং ব্লুমবর্গনা মহৌশানা সেলেব্রিটিশিং য়াওগনবা মখোয়গী পার্টিশিং কেন্সেল তৌখি। কোমেদিয়ন সমান্থা বীনা হৌখিবা জান্যুৱারীদা অসুম্না লাউথোকখি মদুদি, নুমিদাংদুমক্তা মহাক্না জর্নেলিষ্টশিং অমসুং খুরৌ থাংলোয়দবা সেলেব্রেটিশিংগীদমক্তা ওল্টরনেটিভ ইভেন্ট অমা থৌরাং তৌরি। মদুগী চাউরাকপা মমিংনা 'নোট দ হ্বাইট হাউস করেসপোন্দেন্টস' দিন্নর' কৌবা য়াই হায়রি।



## য়ু এসকা উংখৎনরিঙৈদা ইরানগী নেভিনা ৱার গেমশিং পাঙথোক্লি



দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৬ :
ইরাননা নোংমাইজিং নুমিৎতা গল্ফকী মচিন অমসুং ইন্দিয়ন ওসিনদা নেভল দ্রিলশিং হৌখ্রে হায়না নেভিগী কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা টেহরানদা ৱার্নিং পীবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা টেন্সন হেনগৎলকপগী ফীভম লৈরিঙৈদা ইরাননা নেভল এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্লিবনি।

হৌখিবা থাদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী ত্রম্পনা ইরানগী মথক্তা অকনবা মিৎয়েং থমগনি হায়না চেকশিন্না হায়খি অমসুং ইরাননা জান্যুৱারী ২৯ দা বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিবু ৱার্নিং তৌরদুনা টেহরাননা মেদা শান্নরি অমসুং য়ু এসকী ওপসন খুদিংমক হাংদুনা লৈ হায়খি।

ইরানগী চহীগী ওইবা নেভল এক্সরসাইজশিং অদু ষ্টেট ওফ হোর্মুজ, গল্ফ ওফ ওমান, বাব ঈল-মন্দব অমসুং ইন্দিয়ন ওসিনগী অৱাংথংবা শরুকশিংদা পাঙথোক্কনি। এক্সরসাইজশিংদু টেররিজম অমসুং পাইরেসি থেংননবা ট্রেনিং পীবা ওইনা পাঙথোক্লিবনি হায়না রিঅর এদমিরেল হাবিবোলাহ সায়ারিনা ফোঙদোকখি।

বাব ঈল-মান্দব অমসুং ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হায়রিবা ঈশিং লম্বীশিং অসি ফাওদুনা নুমিৎ খুদিংগী থাউ বেরেল মিলিয়ন কয়া য়ুরোপ, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং এসিয়াদা পুই।

স্কৱার কিলোমিটর মিলিয়ন অনীরোমগী এরিয়াদু থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা দ্রিলশিং অদুদা নেভিগী সিপশিং, সবমেরিনশিং অমসুং হেলিকোপ্টনশিংনা শরুক য়াগনি অমসুং মরিনশিংনা খা নোংপোক থংবা কোষ্টকী পরিংদা মখোয়গী হৈশিংবশিং উৎকনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি ইর্নানা হায়খি।

য়ু এস নেভিগী মঙাশুবা ফ্লিটসু লমদম অদুদা লৈদুনা গল্ফ অমসুং মনাক নকপা ঈশিংগী শরুকশিংগী সিপ্পিং লেনশিং প্রোটেক্ট তৌরি হায়রি।

হৌখিবা থাদা য়ু এস নেভিগী দেস্ট্রোইয়র অমনা ষ্টেট ওফ হোর্মুজগী মনাক্তা ইরানগী ফাষ্ট-এটেক ভেহিকল মরিদা ৱার্নিং সোটশিং কাপখি। ভেসেলশিংদুনা স্পিদ য়াংনা চঙশিল্লকখিবদগী ৱার্নিং সোটশিংদু কাপখিবনি। ভেসেলশিং অদু হৌজিক্কী ৱার গেমশিংদুদদি শরুক য়াদবা ইরানগী রিভোল্যুস্নরি গার্দশিংগীনি।

বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অমগী মতুংদা ত্রম্পনা থা অসিগী অঙনবদা ইরানবু ৱার্নিং তৌখি অমসুং তুংদা টেহরানগী মথক্তা অনৌবা অথিংবশিং থমখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### ISRO Recruitment – 87 Scientist/Engineer Vacancy – Last Date 07 March 2017

Indian Institute of Remote Sensing (IIRS) invites application for the post of 87 Scientist/Engineer SC. Apply Online before 07 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : ISRO HQ: ICRB: 01:2017

**ISRO Job Details :**

Post Name : Scientist/Engineer SC
No of Vacancy : 87 Posts
**Discipline wise vacancies :**
Electronics : 42 posts
Mechanical : 36 posts
Computer Science : 09 posts

**Eligibility Criteria for ISRO Recruitment :**

**Educational Qualification :** BE/B.Tech or equivalent qualification in first class with an aggregate minimum of 65% marks or CGPA 6.84/10.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 35 years as on 07.03.2017.

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through online' using Internet Banking/Debit Card or 'Offline' by visiting nearest SBI Branch .
**How to Apply ISRO Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.isro.gov.in from 15.02.2017 to 07.03.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 15.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 07.03.2017
Last Date for Submission of Application Fee : 08.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://isro.gov.in/sites/default/files/bilingual_advertisement_for_recruitment_of_scientist_engineer_sc-2017.pdf
**Apply Online :** http://isro.gov.in/careers

### Reserve Bank of India – RBI Recruitment – 19 Manager & Assistant Manager Vacancies – Last Date 16 March

**RBI Recruitment 2017**
Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 19 Manager & Assistant Manager. Apply Online before 16 March 2017.

Advt No. : 4/2016-17

**Job Details :**
Post Name : Manager (Civil) in Grade B
No. of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Rajbhasha) in Grade A
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Secuirty) in Grade A
No. of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**
Educational Qualification : Details of Eduaction qualification available on 01.03.2017 at Official website.
Nationality : Indian
Age Limit : As per RBI Rules

**Job Location : All India**

**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rbi.org.in form 01.03.2017 to 16.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 16.03.2017
**Important Links :**
Detailed Advertisement Link : http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2017/01/rbi.pdf

### Central Electronics Limited – CEL Recruitment – 19 Technical Manager, Officer & Various Vacancies – Last Date 31 March 2017CEL Recruitment 2017

Central Electronics Limited (CEL) invites application for the post of 19 Technical Manager, Officer & Various Vacancies on contractual basis. Apply Online before 31 March 2017.

Advt No. : 98/PERS/1/2017

**CEL Job Details :**
Post Name : Technical Manager (Materials Management)
No. Vacancies : 03 Posts
Pay Scale : Rs.24900-50500/-
Post Name : Officer (IT & ERP)
No. Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Rs.16400-40500/-

**Eligibility Criteria for CEL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Manager : Candidate should have B.E/B.Tech degree with minimum 55% marks OR should be a Graduate and MBA/PGDM/PGP with minimum 55% marks.
For Officer : candidate should have B.E/B.Tech degree in Computer Science/Information Technology/MCA with minimum 55% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 38 years for Technical Manager & 38 years for Officer as 01.02.2017
Age Relaxation : for SC/ST 05 years, for OBC (Non Creamy Layer) 03 years & For PwD 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.300/- through online transaction, using Credit Card/Debit Card/Net Banking. No application fee need to be paid by candidates belonging to SC/ST/PwD.
**How to Apply CEL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.celindia.co.in from 01.03.2017 to 31.03.2017 .
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 31.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.celindia.co.in/drupal7/sites/default/files/Detailed%20Advertisement%20No.98-Pers.-1-2017%20%281%29.pdf
**Apply Online :** https://hr2016.celsolar.in/